**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 29-07.2024)**

**হেপটাইটিস (এল)** ঃ রাজ্যগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বাল মন্ত্রি-ডা: সাপম রঞ্জননা হায়রি-হেপাটাইটিজ লায়না থেংনবদা সরকার, এন.জি.ওশিং অমদি লম অসিদা থবক তৌরিবা মীওই খুদিংমকা পুন্না হোৎনমীন্নবা তঙাইফদে।

ইম্ফালগী জেনিমসতা ঙসি রাজ্যগী হকশেল বিভাগ অমদি নেসনেল হেলথ মীসন মনিপুরনা শিনদুনা পাঙথোকখিবা মালেমগী হেপাটাইটিস পালন থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-লিভরদা নাবা লায়নাশিং অসি লায়ওং কয়া উৎথোক্তবনা থেংনা খঙগল্লি অমসুং মসিনা লায়েংবদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

মহাকা হায়-হেপটাইটিস (সি) লায়না অসি ঙন্না খঙদোল্লবদি লায়েংবদা থোইনা অরুবা ওইদে। লায়না অসি থিংনবা কেন্দ্র অমদি রাজ্য সরকারনা পায়খৎপা থবক থৌরমশিংগী মরমদা মীয়ামনসু নীংথিনা খঙনবা হোৎনবগা লোয়ননা মদুগী খুদোংচাবা লৌনবসু তৌগদবনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা হকশেল বিভাগকী স্পিসিএল সেক্রেটরি-এ. ফুংয়ো ৱারসাং, হেলথ সার্ভিসেকী দিরেক্তর-ডা: ও. সনাহনবী দেবী, ফেমিলি ৱেলফিয়ার সার্ভির্সেসকী দিরেক্তর-ডা: এল. তোমচা খুমন, জেনিমসকী দাইরেক্তর-ডা: এল. দেবেন সিংহ অমদি নেসনেল হেলথ মীসনগী ষ্টেট মীসন দিরেক্তর-ডা: এম. দিনেস শরুক য়াখি।

**ত্রাফিক (এল)** ঃ ১২ শুবা মনিপুর বিধান সভাগী তরুকশুবা মীফমগী য়েংলগা মীয়ামদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা অমদি খুদোংচানবগীদমক বিধান সভাগী অকোইবদা থা অসিগী ৩১ দগী হৌরগা মাফম লোইদ্রিবা ফাওবা গাড়ি চৎথোক

চৎশিনদা অহোংবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী ট্রাফিক কন্ট্রোল পুলিসকী চেরোল অমনা হায়রি।

**চেং (এল)ঃ** ক্ষেত্রিগাউ বিধান সভাগী ওইনা নেসনেল ফুদ সেক্যুরিতি এক্টকী মখাদা পীবা চেং থা খরগী ওইনা পীথোক্তনা লৈরিবা অসি পীথোকপীনবা তকশিল্লদুনা এম.এল.এ. সৈখ নুরুল হাসননা লুচিংদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিপ্যুতি কন্মিস্নারগী ওফিস তমা রেল্লি অমা চৎখ্রে। শ্রী নুরুল হাসননা দিপ্যুতি কন্মিস্নার, এস.পি, দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসার অমদি মরি লৈনবা ওফিসিএলশিংগা উন্নদুনা ৱাফম অদুগী মতাংদা ৱারী শান্নখি। উন্নবা অদুদা দিপ্যুতি কন্মিস্নারগী মায়কৈদগী চয়েৎনবা লৈতবা বিনিফিসরিশিংগী ওইনা মখোয়গী ফংফম থোকপা চেং থা অসিগী ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীথোকপা হায়না য়ান্নখি।

মরক অসিদা, বিধান সভা কেন্দ্র অসিগী বিনিফিসরিশিংদা পীথোক্তনা লৈরিবা চেং নীংথিনা ভেরিফিকেসন তৌরবা মতুংদা পীথোল্লগনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট সপ্লাই ওফিসারগী চেরোল অমনা হায়রি।

**এৱার্ড (এল)ঃ** শ্রীমতি ৱাহেংবম শায়ানা সন্ট কবির হেন্দলুম এৱার্ড ফংল্লকপদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

সোসিএল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা শ্রী বিরেননা হায়-মহাক্কী থোইদোক হেন্দোকপা খুৎশা-হৈবা অমসুং লমদমসিগী মহৌশাদগী লৈরক্লবা ইয়োং ফি শাবগী লমদা কৎথোকপগীদমক মনা ফংলকপা অসি মনিপুরগী ওইনা চাউথোকচনিংঙাইনি।

**ইজ্‌কেসন (এল)** ঃ নেসনেল ইজ্‌কেসন পোলিসি ২০২০ চৎনবা হৌখিবগী মরিশুবা কুমওন কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়না অখিল ভারতিয়া শিক্ষা সমাগম

(এ.বি.এস.এস) কা পুন্না শিন্দুনা ঙসি ন্যু দিল্লিগী মানেকসো সেন্তর ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা কেন্দ্রগী শিক্ষা রাজ্য মন্ত্রিশিং-ডা: সুকানতা মজ্মদার অমসুং শ্রী জয়েন্ত চৌধরি শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা মনিপুরগী স্কুল এদুকেসনগী দাইরেক্তর-এল. নন্দকুমার অমসুং মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসোর-এন. লোকেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

**গভনর (এল)ঃ** রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ অমদি দি.জি.পি. রাজিব সিংহা অনিনা রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেগা উন্নখ্রে। রাজ্য অসিগী রাজ্যপাল ওইরিবী অমদি মহাক্কী ফম অসি থাদোক্কুনা চৎখিগদৌরিবী-রাজ্যপাল অসিগা উন্নবা অদুদা ওফিসার অনি অসিনা মনিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনবা অমদি মীয়ামগী সেভাগীদমক কৎথোকখিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

রাজ্যপালনা ওফিসারশিং অসিদা মখোয়গী মথৌশিং নীংথিনা পাঙথোকবা অমদি মনিপুর মীয়ামগী য়াইফনবা থবকশিং লেপ্তুনা চত্থনবসু খঙহনখি। মসিগা লোয়ননা রাজ্যগী সেক্যুরিতি এদভাইজর অমদি দি.জি.পি. অনিনা লমদম অসিদা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা থবক থৌরাংশিংবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, খুন্দ্রাকপম কেন্দ্রগী এম.এল.এ. থোকচোম লোকেশ্বরনা রাজ্যপালগা ঙসি রাজ ভবনদা উন্নদুনা রাজ্যপালনা লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চৎতুনা মীয়মাগা উন্নখিবা অমদি মখোয়দা মতেং কয়া তৌখিবা অদুবুসু থাগৎপা ফোংদোকখি।

**এআর (এল)ঃ** আই.জি.এ.আর (সাউথ) কী মখাদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা ঙসি বিষ্ণুপুর জিলাগী সেন্দ্রাদা এক্স সার্ভিসমেনশিংগা উন্নদুনা ৱারী ৱাতাই শান্নবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। মদুদা, এক্স সার্ভিসমেনশিংনা

থেংহনরিবা খুদোংচাদবশিংগী মতাংদা কুপা খন্নখি। মসিগা লোয়ননা এক্স সার্ভিসমেনশিংনা অসাম রাইফলসকা খুৎশম্দুনা ভারত লান্মীদা অগাবির অমদি স্পোর্টস কোটা এন্ট্রিদা নহাশিং থবক চংবদা অমগা অমগা তেংবাং পীননবসু য়ান্নখি।

অমরোমদা, ইং ২০২০ গী জলাই ২৮ দা থোকখিবা খুৎ থোকবগী থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মরিশুবা অসাম রাইফলসকী হলবিলদার-প্রনৈ কালিতা অমসুং রাইফলমেন অনি-রতন সলাম অমসুং মেথনাক কোনয়াগ অহুমগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমা মন্ত্রি পুখ্রিদা লৈবা গেরিসনদা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

বিষ্ণুপুর জিলাগী থমাপোকপী খুলদগী মশাগী চহি ৫৫ শুরবী নুপী অমা ঙরাং লৌবুক্তা লিননা চিকপদগী সেন্দ্রাদা লৈবা অসাম রাইফলসকী কেম্পতা পুখৎতুনা লায়কন্নখ্রে। অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী অথুবা মতমদা হিদাক লাংথক থাদুনা নুপী অদুগী পুন্সি কনখিবগা লোয়ননা মখা তাবা লায়েংনবগীদমক বিষ্ণুপুর হোস্পিতালদা পুখৎখ্রে হায়না অসাম রাইফলসকী পি.আর.ওগী চেরোল অমনা হায়রি।

**এলদিএ (এল)** ঃ লোক্তাক দিবলপমেন্ট ওথোরিতি ৱাকরস এন্দ ইমপ্লোয়িজ য়ুনিয়নলা নুমিৎ হুমনি চুপা চথুরকপা ধরনা ঙসি এল.দি.এগী মকোক থোংবা ওফিসিএলশিংগা য়ান্নবা পুরকপদগী তোকখ্রে।

**ওলেম্পিয়াদঃ** ইরানগী কিস্থাহানদা থা অসিগী ২১ দগী ঙসি ফাওবা চথুখিবা ৫৪ শুবা ইন্টরনেসনেল ফিজিক্স ওলেম্পিয়াদ ২০২৪ দা ভারতকী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়ারুবা মহৈরোইশিংনা শিংথানিংঙাই ওইবা মওংদা মায় পাক্লে।

ওলেম্পিয়াদ অদুদা য়াওখিবা ভারতকী মহৈরোই মঙামকনা সনাগী তকমান অনি অমসুং লুপাগী তকমান অহুম ফংখি। ছাতিসগরদগী রিদম কেরিয়া

অমসুং মধ্য প্রদ্রেসতগী বেদ লাহোতিনা সনাগী তকমান অমমম ফংখি। অদুগা মহারাস্ত্রাদগী আকারশ রাজ সহাই, উত্তর প্রদেসতগী ভাপ্যিা তিৱারি অমসুং রাজস্থানদগী জয়বির সিংহনা লুপাগী তকমান অমমম ফংখি। ভারতকী মীহুৎ কাংবু অদু দি.এ.ভি. কলেজ চান্দিরগী প্রোফেসার-দিপক গার্গ অমসুং ঐচ.দি.সি.এস.ই, টি.আই.এফ.আর-ডা: সিরিজ পথারেনা লুচিংখি। মদুদা প্রোফেসার-এ.সি. বিয়ানি অমসুং প্রোফেসার-ভিভেক বিদেসু সাইন্টিফিক ওবজাভরশিং ওইনা য়াওখি। কম্পিটিসন অদুদা লৈবাক ৪৩ গী মহৈরোই ১৯৩ না শরুক য়াখি। ভারতকী কাংবু অদুনা ভিয়েটনামগী লোয়নননা মরিশুবা পোজিসনদা লৈখি। চিনানা পুমমক্কী মকোক্তা, রাসিয়ানা অনিশুবদা অদুগা রোমানিয়ানা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

**সংসদঃ** সিভিল সার্ভিসকী কোচিং সেন্টর অমা ঈশিং থুমজিনবদগী মহৈরোই অহুম শিখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা দিল্লি পুলিসনা সেন্টর অদুগী মপু য়াওনা মীওই মঙা ফারে। মসিগা লোয়নননা হৌজিক ফাওবদা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ফাবা মীওই তরেৎ শুরে।

দিল্লি পুলিসনা হায়-কেস অদুদা চেন্নবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎনবা কন্না হোৎনরি অমদি থৌদোক অদুগী মতাংদা মীওইশিং অদুবু মচিল হংবগী থবক কন্না চথুরি।

ৱাফম অদু লোক সভাদা ঙসি বি.জে.পি. অমসুং কংগ্রেসনা পুখৎলকপগা লোয়নননা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা দাবী তৌরি। জিরো অৱারগী মতমদা বি.জে.পিগী সদস্য-বনশুরি স্বরাজনা থৌদোক অদু দিল্লি সরকারনা চেকশিনদবদগী থোকপনি হায়না মরাল শিখি।

মহাকা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা দিল্লিদা আম আদমি পার্টিনা শক্তি পায়দুনা লাক্লি অমসুং দল অসিনা হৌখিবা চহি অনি অসি দিল্লি ম্যুনিসিপাল কোরপোরেসনসু পায়দুনা লাক্লি। অদুবু ইরম-নালাশিং নীংথিনা শেমগৎ

শাগৎপগী থবক অমত্তা পায়খৎতে। মহাকা হায়-ওল্ড রাজিন্দর নাগরদা লৈরিবা মীওইশিংনা মফম অদুগী এম.এল.এ, কাউন্সিল্লর অমদি ওফিসারশিংদা মসিগী মতাংদা লেপ্তুনা ৱাকৎতুনা লাকপনি। অদুবু, মখোয়না করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপা তৌখিদে। থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিন্নবা কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না কমিতি অমা শেমবসু মহাকা দাবী তৌখি।

কংগ্রেসকী সাসি থারুরনা হায়-অসিগুম্বা থৌদোকশিংদা ক্ষেতিপুরোন পীবা খক্তনা মতিক চাদে। মহাকা হায়-বিল্ডিং শাবগী নিতি নিয়মশিং, মৈহৌ লাংপোক অমদি ঈচাওদগী ঙাকথোকবা থৌরাংনচিংবা মরুওইবা নিতি নিয়মশিং দিল্লি সহরদা ঙাকা চৎতে অমসুং মসিগী দায়ত্ব কোরপোরেসননা লৌগদবনি।

সমাজৱাদি পার্টিগী অখিলেস য়াদবনা হায়-কোচিং সেন্টরশিং চল্লাইনবা নো ওবজেক্সন সার্টিফিকেটশিং পীরিবা ওফিসারশিংনা মদুগী দায়ত্ব লৌগদবনি। হৌজিক ফাওবদা মখোয়গী মথক্তা করি থবক লৌখৎলবগে হায়বদু মহাকা খঙবা পামখি। ইন্দিপেন্দেন্ট সদস্য-পাপু যাদবসু থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

সরকারনা হায়রি-প্রধান মন্ত্রি অৱাস য়োজনা-অবার্নগী মখাদা হৌজিক ফাওবদা পুন্না য়ুম কোতি অমা লাখ ১৮ হেন্না শাবগী অয়াবা পীখ্রে। রাজ্য সভাদা ঙসি ইদুনা পীখিবা পাউখুম অমদা কেন্দ্রগী হাউজিং অমসুং অবার্ন এফিয়ার্স রাজ্য মন্ত্রি-তোখান শাহুনা হায়-হায়রিবা য়ুমশিং অসিগী মনুংদা য়ুম কোতি অমা লাখ ১৪ রোমদি শাবা হৌগৎলি। অদুগা য়ুম লাখ ৮৫ হেনবনা শাবা লোয়শিনখ্রে। শ্রী শাহুনা হায়-লৈবাক অসিগী সহরগী লমদা লৈরিবা মতিক চারবা বিনিফিসরি খুদিংমক্তা স্কিম অসিগী মখাদা ইং শোক ২০১৫ দগী পাকাগী য়ুমশিং পীনবা কেন্দ্রনা হোৎনরি।

লোক সভাদা বিরোধি লুচিংবা ওইরিবা রাহুল গান্ধিনা কাষ্ট সেন্সস তৌনবা অমসুং লৌমীশিংদা মিনিমম সপোর্ট প্রাইসকী লিগেল গেরেন্টি ফংহন্নবা দাবী তৌখ্রে।

লোক সভাদা ঙসি কেন্দ্রগী ২০২৪-২৫ গী সধারন বজেটকী মতাংদা খন্ন-

নৈনবদা শরুক য়ারদুনা শ্রী গান্ধিনা হায়-বজেটতা লৌমীশিংগী মিনিমম সপোর্ট প্রাইসকী লিগেল গেরেন্টি য়াওহনবনা মখোয়দা চাউনা কান্নবা ফংহনগনি। করিগুম্বা ইন্দিয়া ব্লোকা শক্তি পায়রক্লবদি লৌমীশিংদা এম.এস.পিগী লিগেল গেরেন্টি ফংহনগনি অমসুং লৈবাক অসিদা কাষ্ট সেন্সস চথ্নগনি হায়না লোক সভাদা ৱাশকখি।

মহাকা অগাবির স্কিমগী মতাংদসু ৱাহং কয়া হংখি। ২০২৪-২৫ গী কেন্দ্রগী বজেট অসিদা লৈবাক অসিগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৭৩ ওইরিবা সেদ্যুল কাষ্ট, সেদ্যুল ত্রাইব অমসুং ও.বি.সিশিংগী কান্নগদবা ৱাফম অমত্তা য়াওদে হায়না মরাল শিখি। মহাকা পরিক্ষাগী ক্বোইসন লিক ওইখিবগী ৱাফমশিংসু পনখি অমসুং মসিনা নহাশিংদা অচৌবা চৈথেং পীগনি হায়খি।

শ্রী রাহুল গান্ধিনা অগাবির স্কিমগী মতাংদা পনখিবা অদুগা মরী লৈননা ঙাকশেল মন্ত্রি-রাজনাথ সিংহনা হায়-বিরোধি লুচিংবনা স্কিম অদুগী মতাংদা অরানবা মওংদা লৌরে অমসুং সভাদা অগাবিরগী মতাংদা খন্ননবা শেম শাদুনা লৈ হায়খি।

কেনদ্রগী জল শক্তি রাজ্য মন্ত্রি-রাজ ভুষন চৌধরিনা হায়রি-ভারত অসি মালেমদা লৈনুংদগী ফংবা ঈশিং খ্বাইদগী য়ামা শিজিন্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা অমনি। রাজ্য সভাদা ঙসি পীখিবা মহাক্কী পাউখুমদা মন্ত্রিনা হায়-মালেমগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৭ লোম ওইরিবা লৈবাক অসিগী মীয়ামগীদমক ফংলিবা অফবা ঈশিংগী চাং অসি মালেম পুম্বদা লৈরিবা অশেংবা ঈশিংগী চাদা ৪ মুক্তনি। শ্রী চৌধরিনা হায়-লৈবাক অসিগী ওইনা চহি অমদা লৈনুংদগী ফংবা য়াবা ঈশিংগী চাং অসি ক্যুবিক মিটর বিল্লিয়ন ৪০৭. ২১ রোমনি অদুবু হৌজিক চহিগী ওইনা লৈনুংদগী ফংলিবা ঈশিংগী চাং অসি শুপগী ক্যুবিক মিটর বিল্লিয়ন ২৪১.৩৪ রোমদনি হায়না পারি।

লৈবাক অসিদা লৈরিবা স্তার্টঅপকী মশিং অসি হৌজিক লাখ অমা লিশিং ৪০ হেল্লে। লোক সভাদা ঙসি ইদুনা পীখিবা পাউখুম অমদা স্কিল দিবলপমেন্ট

অমসুং ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপ মন্ত্রি-জয়েন্তি চৌধুরিনা হায়-শকখঙলবা স্তার্টঅপশিংনা লৈবাক অসিগী মীওই লাখ ১৫ হেনবদা হকথেংননা থবক পীরি। মহাকা হায়-সরকারনা স্তার্টঅপ ইন্দিয়া ইনিসিয়েটিব অসি ইনোভেসন অমসুং শেল থাদবগী চাং হেনগৎহনদুনা শক্তি লৈবা ইকো সিষ্টেম অমা শেমগৎপা ঙম বগীদমক ইং শোক ২০১৬ তা লিংখৎখিবনি।

**এৱার্ডঃ** স্কিল মন্ত্রালয়না কুমশি চহিগী নেসনেল মেটালরজিষ্ট এৱার্ড (এন.এম.এ) পীনবগীদমক দরখাষ্ট কৌরি। মেটালরজিগী লমদা রিছার্স অমসুং দিবলপমেন্ট য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবশিংদা মনা অসি পীগদবনি।

মন্ত্রালয়না হায়-মনা অসি কেটেগোরি মরি থোকা খাইদোক্কনি। মখোয়শিং অদুদি-লাইফ টাইম এচিপমেন্ট, নেসনেল মেটালরলিষ্ট, য়ঙ মেটালরজিষ্ট অমসুং য়োৎ অমদি স্পাতকী লমদা চাউখৎহন্নবা হোৎনবগা লোয়ননা থিজিন খোপচিনবগী থবক তৌবা অসিনি। উদ্যোগ, থিজিন খোপচিনবা অমদি একাডমীয়াগী লমদা থবক তৌবা মীওইশিংনা মন্ত্রালয়গী ওফিসিএল ৱেব সাইটতগী অকুপ্পা মরোল খঙবা য়াগনি অমসুং সেপ্তেম্বর তরুক ফাওবদা দরখাষ্ট থাজিল্লকপা য়াগনি।

**কোইলাঃ** ২০২৩-২৪ দা ভারতনা কোইলা পুথোকপগী চাং চাদা ১১.৬৫ হেনগৎখি। কোইলা মন্ত্রালয়না মপান লৈবাকশিংদগী কোইলা পুশিল্লকপগী চাং হন্থহন্নবা অমদি লৈবাক অসিদগী মপান লমদা কোইলা থাদোকপা হেনগৎহন্নবা থৌরাং কয়া পায়খৎলি।

লৈবাক অসিগী কোইলা পুথোকপগী চাং অসি ২০২৪-২৫ দা টোন কোতি ১০৮ য়ৌনবা পান্দম থল্লি। মপান লৈবাক্তগী কোইলা পুশিল্লকপা হন্থহন্নবগীদমক মন্ত্রিগী থাক্তা কমিতি অমা শেমলে। কমিতি অসিনা মপানদগী

পুশিল্লক্লিবা কোইলাশিং অসিগী মহুৎ শিনবা য়াবশিং থিদোকবা মন্ত্রালয় কয়াগা খন্ন-নৈনগনি।